**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08.04.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ০৮-০৪-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরগী লোক সভা মীখলদা নেসনেল দিমোক্রেতিক এলাইন্স (এন.দি.এ)গী মীরেপ্প্ মনিপুর দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এম.দি.এ) না শৌগৎলগনি হায়রি।

২) মীখলদ মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ওফিসরশিং ত্রেনিং তৌবা, ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি.পেদ য়েংশিনবগী থবক লেপ্তুনা চখ্লরি।

৩) মনিপুরদা হয়েং শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা পাঙথোক্লগনি। রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৪) থা অসিগী ১৯ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক তপা তপা কনখৎলক্লি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ২১ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমগী লোক সভা কেন্দ্র ১০২ দা ভোট থাদনগনি।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কংগ্রেস দলগী মেনিফেস্তোগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিংগী মথক্তা কংগ্রেসনা ঙসি ইলেক্সন কম্মীসননা ৱাকৎখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**এম.দি.এ (এল)ঃতাঙ্কক অনি থোকা ভোট থাদনগদৌরিবা মনিপুরগী পার্লিয়ামেন্তরি সিট অনিদা নেসনেল দিমোক্রেতিক এলাইন্স (এন.দি.এ)গী মীরেপ্প** মনিপুর দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এম.দি.এ) না শৌগৎলগনি হায়রি।

ইম্ফালদা লৈবা শিব সেনা বালা সাহেব ভবন-বাবুপারাদা ঙসি পাঙথোকখিব পাউগী মীফম অমদা এম.দি.এগী কনভেন্নর-মোইরাংথেম তোম্বীনা হায়-মনিপুরগী মীয়ামনা লমদম অসিদা শান্তি হনজিল্লকপা পাম্লি। মহাকা হায়- ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা ঙাক্তুনা থম্লম্বা লম অসি কনাগুম্বা অমত্তনা লৌবগী হক লৈতে। মীপুম খুদিংমকা লমদম অসিদা শান্তি লৈনা হিংমিন্নবা পাম্মী হায়রদুনা শ্রী তোম্বীনা হায়- লমদম অসিদা মায়োকরিবা সমস্যা খুদিংমক খুৎলায় য়াওদনা থেংনগনি। মহাকা হায়- মীখল হায়বসি চহি ৫ গী মনুংদা অমুক্তং লাকপা মরমনা মীয়ামা নিয়ম চুমা মখোয় মখোয়গী অপম্বা মীরেপশিং খন্নবা হোৎনগদবনি। লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা মীপুম খুদিংমকা মখোয়গী মমল য়াম্লবা ভোটথাদদুনা মনিপুরগী শক্তম ঙাকপা ঙমগদবা মীরেপ খন্নবা খুদোংচাবা লৌহৌরসি।

**--সাউন্দ তোম্বী--**

পাউগী মীফম অদুদা এম.দি.এদা য়াওরিবা দল ১০ গী লুচিংবশিং শরুক য়াখি। হায়রিবা দলশিং অদুগী মনুংদা -বি.জে.পি, সিব সেনা মনিপুর, এম.এন.দি.এফ, এল.জে.দি,পি.দি.এ, এন.পি.এফ, এন.পি.পিনচিংবা য়াওরি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা জিরিবাম জিলাদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী ত্রেন্নিং ঙসি লোয়শিনখ্রে।

বেজ মরি থোকা ঙরাংদগী জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোরকপা অনিশুবা রাউন্দগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা নুপী পার্সোনেল ৬৩ য়াওনা পুন্না পোল্লিং পার্সোনেল ২৩৪ না শরুক য়াখি। জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর কৃষ্ণ কুমারনা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুবু হৃকথেংননা য়েংশিনখি। অহানবা রাউন্দগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম বেজ মরি থোকা মমাং থাগী তাং ২২ দা পাঙথোকখিবনি মদুদা পোল্লিং পরসনেল ১৫৪ শরুক য়াখি।

**তেংনৌপল(এল)ঃ** তেংনৌপল জিলাগী ওইনা লোক সভা মীখলদা মথৌ তৌগদবা পুলিস ওফিসরশিং, পরসনেলশিং অমসুং বি.দি.এফকী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ত্রেনিং ঙসি চান্দেল জিলাদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুলিস পরসনেল ২২৫শরুক য়াখি। তেংনৌপল দিষ্টিক্ট এদমিনিস্ত্রেসননা মীখলদা মথৌ তৌগদবা নুপী ওফিসিয়েলশিংগী ত্রেনিং চান্দেল দি.সি ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ৮৫ রোম শরুক য়াখি।

**কাংপোকপী(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর কাংপোকপী- মহেশ চৌধুরিনা জিলা অসিদা লৈরিবা পেরামিলিটরি ফোর্স, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং মীখলদা মথৌ তৌগদবা মীওইশিংগী সেক্যুরিতি কোওর্দিনেসন মীফম অমা সভাপতি ওহদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনগদৌরিবা অসি শান্তি লৈনা অরান অহুই য়াওদনা নিয়ম চুমা পাঙথোকবা শেম শারিবা অদুগী মতাংদা কুপা খন্নখি ।

তুংদা দি.সি কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা মীখলগী নোদেল ওফিসরশিংগী মীফমদা ৱেব কাস্তিং অমদি পোল্লিং পরসনেলশিং কেন্দ্র অহুমদা থাদোক থাজিন তৌবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মরক অসিদা মাইক্রো ওবজার্ভর অমসুং পোস্তেল বেলোটকী ত্রেনিং তোঙান তোঙানবা হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**ত্রেনিং(এল)ঃ** পোল্লিং পরসনেলশিংনা ই.ভি.এম অমসুং ভি.ভি.পেদ মেছিন শিজিন্নবগী মতাংদা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা অনিশুবা তাঙ্কক্কী ত্রেনিং ঙসিদগী ককচিংগী দি.সি কমপ্লেক্সতা হৌখ্রে। ৬ শুবা বেটচকী ওইনা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং অদুদা পোল্লিং পরসনেল ২৭০ শরুক য়াখি। ত্রেনিং অসি থা অসিগী ১০ ফাওবা চত্থগনি।

**নোনে(এল)ঃ** নুংবা বিধান সভা কেন্দ্রগী ওইনা পোল্লিং ওফিসিয়েলশিংগী অনিশুবা রেন্দমাইজেসনগী থবক থৌরম লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা দি.সি.ওফিস কমপ্লেক্স নোনেদা পাঙথোক্লগনি।

**সি.পি.আই(এল)ঃ** সি.পি.আই য়াইস্কুল লোকেল কাউন্সিলগী মীফম অমা ঙরাং ইম্ফালগী ৱাঙ্খেই কৈথেল অশাংবিদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

**মীফম (এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা বি.জে.পিগী দিষ্ট্রিক্ট অমসুং মন্দল প্রসিদেন্তশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি দল অসিগী নিত্যাপাৎতা লৈবা থন্বাল শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। দলগী মচিন চৎপী মীশক এম.অসনি কুমারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা দল অসিগী বুট কন্সর্ট্টিয়েন্সি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেবেলগী থাক্তা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনখি।

মীফম অদুদা শ্রী অসনি কুমারনা দলগী কর্মীশিংদা লমদম অসি চাউখৎনবা অমদি হেন্না নুংঙই য়াইফবা ওইনবা অচেৎপা ফীরেপ অমগা লোয়ননা হোৎনমিন্নবা খঙহনখি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** লোক সভা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক থুগাইদুনা মনিপুর সরকারগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংদা থবক লৌন্নবা এদভরটিসমেন্ত থোক্লে হায়রিবা অসিগী মতাংদা থবক লৌখৎপিনবা মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিনা রাজ্যগী চিফ ইলেক্তোরিয়েল ওফিসর অমসুং ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখ্রে।

দলগী প্রসিদেন্ত কে. মেঘাচন্দ্রনা সি.ই.ওদা ইবা চেরোল অমদা হায়- মোদেল কোদ ওফ কন্দক থুগাইদুনা অসিগুম্বা থবক লৌবগী এদভর্সিমেন্তশিং সোসিয়েল মেদিয়াশিংদা হৌজিকসু শন্দোক্লি। হিরম অসিগা মরী লৈননা থবক লৌখৎপিনবা সি.ই.ওগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

--**তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি**--

**চৈরাওবা (এল)ঃ** মনিপুরদা হয়েং শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা পাঙথোক্কনি।

শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ইম্ফালগী মরুওইবা কৈথেলশিংদা মীয়ামা কুম অমগী অনৌবা মনা মশিং লৈনবা লাকখি। মসিনা মরম ওইদুনা লম্বী কা হেন্না চীনবদগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মরুম মায়োকরি।

শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবনা লাকপদা লুচিংবশিং য়াওনা রাজনিতি দল অমদি লন্নাই সংস্থান কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল অমদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়- অনৌবা চহি লাকপা হায়বসি মীপুম খুদিংমকা হরাওনিংঙাইনি। অনৌবা চহিনা লাকপদা মীয়ামা ৱারেপ কয়া মরুম লৌমিন্নরসি। চৈরাওবনা লাকপদা লমদম অসিদা শান্তি অমদি নুংশি চান্নবা পুরকবা পুন্না ৱারেপ লৌমিন্নরসি। মহাকা হায়- লমদম অসিদা জাতি কাংলুপ অনিগী মরী থুগাইনবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অদুমওইনমক মনিপুরগী মীয়ামা কাংলুপকী ইরাং থাদোক্তুনা ৱাখল লৈবা মীওই অমগুম থৌদাং কয়া উৎথোক্লি। শাজিবু নোংমা পানবনা লাকপদা খেৎনবা খুদিংমক কাওথোকদুনা অফবা মনিপুর অমা ওইনবা পুন্না থবক তৌমিন্নরসি।

মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়- কুম্হৈ অসিনা চহি অমা লোইদুনা অনৌবা চহি লাক্লে হায়বদু উৎলি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মনিপুরগী মীয়ামা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা লৈন্নরিবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্দুনা চাউখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনরসি। মহাকা হায়-কুম্হৈ অসিনা ঐখোয় পুমমক্কী মংলানবু মঙফাওহন্দুনা মনিপুরবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি।

মহাক্কী পাউজেলদা মহুৎ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দননা হায়- শাজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবনা লাকপদা লমদম অসিদা নুংঙাই য়াইফবা ৱাতা পাদবা পীনবিবা ওইরসনু । লমদম অসিদা হেন্না নুংশি চান্নবা তংদু লৈতবা মরা তপ্পা লমদম অমা তুংকোয়না ওইহনবিবা শাজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবনা লাকপদা পুরকপা ওইরসনু হায়না ইস্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

পাউজেল অমদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডা: আর.কে রঞ্জননা হায়- মীতৈশিংগী অনৌবা চহি হৌবা শাজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবনা লাকপগা ইরোইননা লমদম অসিদা ইং তপ্পা,নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু । মহাকা হায়-কুম অমগী অনৌ অপেনশিং কৎতুনা লমদম অসিবু মহৌশাগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিলহল্লকবা পুন্না ইস্বরগী মফমদা থৌনিজরসি।

মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতি, সিব সেনা মনিপুর প্রদেশ, মনিপুর ইমানচিংবনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**সনা কোনুং (এল)ঃ** উত্ত্র শঙলেন সনা কোনুংনা শাজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী মাঙওইননা ঙসি লমতাগী থাশুবা নুমিৎ অসিদা সনা কোনুংনা শিং শৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু সনা কোনুংগী মায়চৌশিং, অমাইবশিং , পেনা অশৈবশিং অমদি মাহবি লোইশঙনা শরুক য়াখি।

**রাজ্যপাল(এল)ঃ** কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী মনিপুর, নাগালেন্দ অমসুং সাউদ্রন অরুনাচল প্রদেশকী স্পোক্স পরসন অমসুং পি.আর.ও লেফটনেল কর্নেল অমিট সুক্লানা ঙসি রাজ ভবনদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মহাকা কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রালয় মরুওইনা লান্মী অমসুং অসাম রাইফলসনা মনিপুরদা শান্তি অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলকবা লৌখৎলিবা থৌদাংশিং পাউদমখি।

রাজ্যপালনা, হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি হৌরকপদা আর্মি অমসুং মীয়ামগী মরক্তা পাউ ফাওনদবগুম তৌখিবা অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। লান্মীনা চোকথবা লৈতনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা য়ৌহন্নবা রাজ্যপালনা খঙহনখি। অরানবা পাউ শন্দোক্লিবশিং মতম চানা য়েংশিনগনি হায়বগী থাজবা পি.আর.ওনা পীখি।

**ভেতেরিনরি(এল)ঃ** সাইওন শিংজমৈ চিংঙামখা ইন্স্ফালনা রাজ্যগী ভেতেরিনরি বিভাগকা খুৎশমরগা হুই অমসুং হৌদোংদা এন্তি রেবিস তিকা কাপথোকখ্রে। হৌখিবা থাংজা অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎতা চথুখিবা তিকা থাবগী থৌরম অদুদা হুই অমসুং হৌদোং ২৫০ রোম তিকা কাপথোকখি।

**নোনে(এল)ঃ** হাওচোং প্রাইমরি হেলথ সেন্তর নোনেনা কয়াক্লপ এৱার্দ ফংলকপগী নুংঙাইবা ফোংদোকপা থৌরম অমা ঙসি হাওচোং পি.ঐচ.সি দা পাঙথোকখ্রে। ইং ২০২২ গী ওইনা মনা অসি নোনে পি.ঐচ.সিদা পীরকপনি। ঙসিগী থৌরমদুদা জিলা অসিগী চিফ মেদিকেল ওফিসর ডা: জেদ.কামৈনচিংবা শরুক য়াখি।

**ফেস্তিবেল(এল)ঃ** কে. ইবোতোম্বী কলচরেল একাদমি মনিপুরনা শিন্দুনা নট সংকৃটন ফেস্তিবেল চরাংপাৎ মাকলং মমাং লৈকায় কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। সংগিট নাতক একাদমি ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জে.এন মনিপুর দান্স একাদমিগী দাইরেক্তর পি.পিলাস সিংহ য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**চাওবা(এল)ঃ** থৌনাওজম চাউবা মেমোরিয়েল চেরিতেবল ত্রস চীংজমৈনা অহল ওইরবশিংদা লেপ্তুনা পেন্সন পীরকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালাদা খনগৎলবা অহল ওইরবশিংদা পেন্সন য়েন্থোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ত্রস অসিগী মেনেজিং ত্রস্তি থৌনাওজম রোমেননা হায়- অহল ওইরবা মশা মশুশিংনা নিংথিজনা য়েংশিনবিদ্রবা অহল লমনশিংদা অঙম্বা মতেং পাংনিংবগী ৱাখল্লোনদা ত্রস অসিনা পেন্সন য়েনবগী খোংথাং অসি চথরকপনি। ঐখোয়বু পোকপীরিবা ইমা ইপা, অহল লমনশিংবু নুংশি চান্ননা তৌবিগী মহুৎতা মীরাইবিবা হায়বসি মীওইবগী তৌহৈদ্রবা লিচৎ অমনি।

শ্রী রোমেননা রাজ্য অসিদা মমাং চহিগী মে থাদগী হৌরকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈবা মীওইশিংদসু মতেং পাংখি হায়বগী ৱাফম থৌরম অদুদা ফোংদোকখি।

**--সাউন্দ রোমেন --**

**চান্দেল(এল)ঃ** চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন(সি.এন.পি.ও)গী ৮ রক শুবা ফেদরেল এসেমব্লি ঙসি জিলা অসিগী চান্দোনপোকপী ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে। চোথে ত্রাইবেল য়ুনিয়ননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ঙসিগী ফেদরেল এসেমব্লি অদুদা সি.এন.পি.ওগী থৌবুরেলশিং অমদি সি.এন.পি.ওগী মখাদা লৈবা ফেদেরেতিং য়ুনিটশিং, সব-ওর্দিনেট বোদিশিং অমদি চান্দেলদা লৈবা নাগা ত্রাইবকী প্রসিদেন্ত অমসুং একজিক্যুতিব কাউন্সিলশিংনা শরুক য়াখি।

**ময়োল(এল)ঃ** মনিপুর য়ুথ ক্লব (ময়োল)না চথরক্লিবা ঐখোয়গী অনৌবা লাংওনগী ভোট হায়না মিংথোনবা কেম্পেইন অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী পোৎফম ফম্বীশিং অমদি পোৎ লৈবা লাক্লিবা মীয়ামদা বুকলেট অমদি লিফলেটশিং য়েন্থোক্তুনা ময়োলনা মীয়ামদা ভোট কা মরী লৈননা পাউজেলশিং পীখি।

## ---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**লোক সভাঃ** থা অসিগী ১৯ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক তপা তপা কনখৎলক্লি। তাঙ্কক অসিদা লোক সভা কেন্দ্র ১০২ গী মীখল রাজ্য ২১ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমদা ভোট থাদনগনি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারস্ত্রাগী চন্দ্রপুর অমসুং গদচিরোলিদা পাঙথোকপা মীখলগী কেম্পেইনদা শরুক য়াখি । মদুগী মমাং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ছতিসঘরগী বস্তর দিভিজনগী আমাবল খুলদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা শরুক য়াখি । থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মহাক্কী সরকারগী মরুওইবা পান্দমদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা ত্রাইবেলশিংগী ইমুং মনুংগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবনি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা বি.জে.পি সরকারনা লায়রবশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া পায়খৎখি। মীপুম খুদিমকপু চপ মান্ননা চাউখৎহন্দুনা লৈবাক অসি চাউখৎহনবা হায়বসি মহাক্কী পান্দমনি।

শ্রী মোদিনা হায়- মীয়ামগী সমস্যাশিং লোইশিন্দুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবা হায়বসি রাজনিতি দলশিংগী থৌদাংনি। মহাকা চহি কয়া মরুম লৈবাক অসিনা তেরোরিজমগী চৈথেং মায়োকদুনা লাক্লি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা মধ্য প্রদেশকী সিওনি জিলাগী ধানৌরাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়- ত্রাইবেলশিং অসি লৈবাক অসিগী অহানবা মপুনি। মরম অদুনা মখোয়ব্ কংগ্রেসনা অদিবাসি হায়না খঙনরিবনি। লম অমগী অহানবা মপু ওইরবদি লৈবাক অসিগী লম ,ঈশিং, উমংশিং অসিগী হক মখোয়দা চপ চানা লৈ। রাহুল গান্ধিনা শাহদোলদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদসু শরুক য়াখি।

অসামদসু লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। অহানবা তাঙ্কক্তা লোক সভা কেন্দ্র ৫ দা ভোট থাদনগনি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ হয়েং দিব্রুগর, লক্ষিম্পুর অমসুং সোনিতপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াগনি। কংগ্রেস প্রসিদেন্ত ভুপেন বোরা, সংসদ সদস্যা গৌরব গোগোইনচিংবা কয়ানা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়ারি।

**কংগ্রেসঃ** কংগ্রেস দলগী মেনিফেস্তোগী মতাংদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা কংগ্রেসনা ঙসি ইলেক্সন কম্মীসননা ৱাকৎখ্রে। দলগী লুচিংবা সলমান খুরশিৎনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ন্যু দিল্লিদা কম্মীসনগী মীহুৎশিং উন্নদুনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সলমান খুসিদনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কংগ্রেসকী মেনিফেস্তো অসি মুস্লিম লিগকী মমি তাই হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু দল অসিনা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কম্মীসনদা ৱাকৎপনি। মহাকা হায়- হিরম অসিগী মতাংদা কম্মীসননা লমা লৌবগা লোয়ননা থবক লৌখৎপিনবা হায়জখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ১৬ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা লিৱা চনিং য়ুথ কলচরেল ক্লবনা য়ুনাইতেদ ব্রদরস এফ.সি.বু পাঞ্জল ৩-০দা, সঙাই ফুটবোল স্কুলনা দ এথলেটিক্স ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। য়ঙ ফিজিক্স য়ুনিয়ন অমসুং নিশা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** য়ুনাইতেদ ভেতরান্ত ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা সি.ৱাই.এল.সি গ্রাউন্দ চিংঙা মথক্তা চত্থরিবা ৫ শুবা সঙাই ত্রোফিগী ঙসিগী মেটচতা এম.য়ু.এস.এনা ফ্লামবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা এল.এফ.সি অমসুং ভসাই পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ৮ শুবা ইবোতোন মেমোরিয়েল থ্রর্দ দিভিজন অন্দর -১৫ বোইজ ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবদাং তাইদানা রাইজিং ক্লবপু পাঞ্জল ৫-২ দা, সোসিয়েল ৱেলফ্যার ক্লবনা ক্রাওবু পাঞ্জল ৩-১ থোইখি।

**পোলো (এল)ঃ** ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ১৯ শুবা ষ্টেট লেবেল ৱিমেন পোলো তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা ইবুধৌ পাখঙবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখি।

৭ শুবা জনিয়র বোইজ ষ্টেট লেবেল পোলো তুরনামেন্টগী মেটচতনা আরবিন্দ পোলো ক্লব (এ)না ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১০ -১ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোয়িয়েসননা য়ু.পি.সি পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-৬ দা থোইখি।

**হেন্দবোল(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী চিংঙারোল টেজপুরদা লৈবা য়াইফ লমজিং কাংলুপ প্লেগ্রাউন্দা চত্থরিবা ৪৫ শুবা সবজনিয়র বোইজ অমসুং গলর্স ষ্টেট লেবেল হেন্দ বোল চেম্পীয়নসিপ ঙসি লোইশিনখ্রে। সব জনিয়র বোইজতা য়াইফ লমজিং ক্লব চীংঙারেলনা ওয়ো কোংপালবু পাঞ্জল ১৯-১৪ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখি। সব-জনিয়র গলর্সতনা য়াইফ লমজিং ক্লব চীংঙারেলনা ওয়ো কোংপালবু পাঞ্জল ১৩-১ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইরে।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) মনিপুরগী লোক সভা মীখলদা নেসনেল দিমোক্রেতিক এলাইন্স (এন.দি.এ)গী মীরেপ্প্ মনিপুর দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এম.দি.এ) না শৌগৎলগনি হায়রি।

২) মীখলদ মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ওফিসরশিং ত্রেনিং তৌবা, ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি.পেদ য়েংশিনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

৩) মনিপুরদা হয়েং শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা পাঙথোক্লগনি। রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৪) থা অসিগী ১৯ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক তপা তপা কনখৎলক্লি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ২১ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমগী লোক সভা কেন্দ্র ১০২ দা ভোট থাদনগনি।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কংগ্রেস দলগী মেনিফেস্তোগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিংগী মথক্তা কংগ্রেসনা ঙসি ইলেক্সন কম্মীসননা ৱাকৎখ্রে।

• **--- পাউ লোইজরে---**